## অতেনবা পাউ

### কিলগী ৮ শুবা কুমওন

ইম্ফাল, মে ১৫ঃ কংলৈ ইমা লুপ (কিল) লিংখৎখিবগী ৮ শুবা কুমওন থৌরম ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখ্রে।

কিলগী প্রসিদেন্ট আরকে সনাহনবি, এডভাইজর এডভোকেট নাওরেম বিনোদিনি, কংলামৈগী প্রসিদেন্ট ৰাই লৈরিকলৈমা, নেসনেল এৱার্দি ঐচ ইবোতোম্বী খুমন অমদি সিএলকেগী প্রসিদেন্ট সিঐচ পাকপী চনুনা থৌরম অদুদা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা কিলগী সেক্রেটরি জেনরেল এস মেমচা লৈমানা হায়, ইরমদম অসিদা থোক্লিবা মীহাৎ-মীপুন, মীওৎ-মীনৈ অমদি অতৈ থৌদোক ৱাথোকশিং অসি তুমিন্না য়েংদুনা লৈথোকপা ঙমদবদগী মীয়ামগী অৱাবা কোকহন্নবা মতেং খরদা ওইরবসু পাংনবগী ৱাখল্লোনদা ইং ২০১১ গী মে ১৫ দা লুপ অসি লিংখিবনি।

## Gas Today

**GBD INDANE SERVICE LAMLONG**
Booking Upto -------- **30-03-18**
Valid From------------- 14-03-18
Stock-------------------612(CTC)
Time: 7:30 am to 11 am

**CANCHI INDANE SERVICE**
Booking Upto ---------- **12-04-18**
Valid From ------------- 07-04-18
Stock---------612 (19kg---160)
Rate--------------------Rs. 761.50
Time: 8 am to 10 am

**MISAO GAS**
Booking upto ---------- **04-04-18**
Valid from -------------23-03-18
Stock-----------------------612
Time - 7:30 am to 10 am

**R&H**
Booking upto ---------- **23-03-18**
Valid from -------------25-02-18
Stock------------------------612
Time - 8 am to 11 am

**ATHOKPAM INDANE**
Booking Upto --------- **26-03-18**
Valid From------------- 17-03-18
Stock-------------------612(CTC )
Time: 7 am to 10am

**MANIPUR GAS SERVICE**
Booking upto ---------- **02-04-18**
Valid from -------------31-03-18
Stock-----------------------612
Time - 7:30 am to 9:30am

**LAMSHANG GAS**
Booking upto------------**03-04-18**
Valid from ------------27-03-18
Stock---------------306(DBTL)
Time - 7 am to 10 am

**SAWOMBUNG INDANE**
Booking upto ---------- **07-04-18**
Valid from -------------02-04-18
Stock------------------------306
Time - 7:30 am to 10am

**YAIRIPOK GAS**
Booking upto ---------- **10-04-18**
Valid from ------------01-04-18
Stock------------------------612
Time - 7 am to 10 am

**MM GAS**
Booking upto ---------- **05-04-18**
Valid from ------------- 31-03-18
Stock----------------612(DBTL)
Rate--------------------Rs. 761.50
Time - 7 am to 10 am

# মফম কয়াদা খুঙ্গং চৎসি থৌরম পাঙথোকখ্রে

ঐখোয়গী ষ্টাফ রিপোর্টর

ইম্ফাল, মে ১৫ঃ দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ইম্ফাল ইষ্টনা শীন্দুনা খুঙ্গং চৎসি থৌরম খুরাই এমেসল্লি কন্সটিটুয়েন্সিগী মনুং চনবা ইমা চিংজোইবী মান্দপ খুরাই কোন্সম লৈকায় অমদি নাদবম লৈকায়, কোন্সম লৈকায়দা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা আসামগী হেলথ মিনিষ্টর পিজুস হজারিকানা চীফ গেষ্ট, খুরাই এসিগী এমএলএ এল সুসিন্দ্রানা থৌরমগী প্রসিদেন্ট, ইমা চীংজোইবী শেমগৎ শাগৎপা লুপকি প্রসিদেন্ট কোন্সম প্রফুল্লো অমদি খুরাই নান্দেবম লৈকায় জেদপিগী মেম্বর ওকেন্দ্রো অথোকপমনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

খুরাই এসিগী এমএলএ এল সুসিন্দ্রানা হায়, মণিপুর গবর্ণমেন্টনা মে ১ দগী হৌরগা খুঙ্গং চৎসি (গো টু ভিলেজ) গী থৌরম ঙসিগা থানা অহুমলক শুনা পাঙথোরক্লি। খুঙ্গং খুদিংমক্তা হায়রিবা থৌরাং অসি লৌখৎতুনা পাঙথোক্লকনি। লমদম অসিদা মতম শাংনা মীয়ামগী ফংফম থোকপা হকশিং অদু ফংদনা লাকখি। দিপার্টমেন্টশিংদা চৎলগসু নিংথি নুংঙাইনা দিমান্দশিং ফংলকখিদে। বিজেপি গবর্ণমেন্ট অসিনা খুঙ্গং চৎসি হায়না থৌরাং অসিনা মীয়ামগী অৱাৎ অপা লৈবিশিং অদু নিংথিনা ফংহনবা ঙমলে মখা তানসু ফংহন্নবা হোৎনগনি হায়খি।

খুরাই এসিদা চহি খুদিংগী ঈশিং ইচাও থোক্তুনা মীয়ামগী অৱাবা কয়া মাইয়োক্নদুনা লাকখি। বিজেপি গবর্ণমেন্ট অসিনা হেক লাকপদগীদি কেন্দ্র অসিদা ঈশিং ইচাও থোক্লম্বা অদু ফরগনি হায়না খল্লি। কেন্দ্র অসিগী মরু ওইনা ঈশিং থুমগনবা মফমশিং দ্রেনশিংসু নিংথিনা শেমদুনা ঈশিং ইচাও নংহন্দনবা হোৎনরি ঈশিং চাওগনি হায়বগী মীয়াম্না মীপাইবিগনু শেন্বা য়াবশিং শেম্নবা হোৎনগনি হায়খি।

খুঙ্গং চৎসি থৌরম অসিদা তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংদগী লাক্লিবা মরি লৈনবা ওফিসিয়েলশিংদগী মীয়ামগী মতম শাংনা ফংদনা লাকপশিং অদু কমপ্লেইন নিংথিনা তৌবীদুনা মদুগী কান্নবা লৌবিয়ু। দিপার্টমেন্টগী ওফিসিয়েলশিংনা ওফিসতা ঙাক্তা ফমদুনা থবক তৌবগী মহুৎতা খুঙ্গংদা চৎতুনা মীয়ামদা হকথেংন্না কান্নবা পীরিবা অসি মীয়াম্না লৌবিয়ু হায়নসু এমএলএনা ফোঙদোকখি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ইম্ফাল ইষ্টনা শীন্দুনা উয়ুমপোক গ্রাম পঞ্চয়েটতকি কম্যুনিটি হোলদসু খুঙ্গং চৎসি থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা উয়ুমপোক গ্রাম পঞ্চয়েটকি মনুং চন্না লৈবা লম্বোইখুন ৱার্দ মেম্বর সামোম খোমদোন, হৈক্রুকমপাল ৱার্দ মেম্বর ও বসন্ত, লম্বোইখুন ৱার্দ মেম্বর ঐচ নুংশিতোম্বী, তরেৎখুন ৱার্দ মেম্বর টিঐচ ওকেন্দ্রো অমদি কৈবী সলমগী ৱার্দ মেম্বর লোংজম প্রমোসু শরুক য়াখি।

খুন্দ্রাকপম এসিদা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল শাগদবনি হায়দুনা খোঙজং চংশিল্লিবশিং হায়বদি উয়ুমপোক জিপি য়ুনাইটেদ ক্লব ওর্গনাইজেসন অমদি অপুনবা মৈরা পায়বীশিংনা খুন্দ্রাকপম এসিদা খুঙ্গং চৎসি (গো টু ভিলেজ) গী থৌরম পাঙথোকপা য়ারোই হায়না অথিংবা থমখ্রগসু উয়ুমপোক গ্রাম পঞ্চয়েটনা কোনবা খুনশিংদগী মীয়াম থোরক্তুনা খুঙ্গং চৎসি থৌরমদা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখি। গবর্ণমেন্টগী মখাদা লৈরিবা দিপার্টমেন্ট ২৫ না শরুক য়াখি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না শিন্দুনা ময়াং ইম্ফাল বজারদা লৈবা মলটিপর্পজ কম্যুনিটি হোলদা ময়াং ইম্ফাল কেন্দ্রগী এমএলএ কে রোবিন্দ্রোনা অথোইবা মীথুং ওইদুনা খুঙ্গং চৎসি থৌরম পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা উজ্জ্বালা স্কিমগী মখাদা ইমুং ৯২ দা লেম্না গ্যাস কনেক্সন, এমওবিসিগী মখাদা ইমুং ১২ দা ইমব্রোইদরি মেছিন অমসুং চীফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেংবাং কার্দ ফংবা য়ারবা ইমুং ৩০০ দা হেলথ কার্দশিং হকথেংননা য়েন্থোকখি হায়রি।

থৌরম অদুদা ময়াং ইম্ফাল বিজেপি মন্দলগী প্রসিদেন্ট ইরোম রবি, ময়াং ইম্পাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চিয়ারপার্সন অমসুং কাউন্সিলরশিং শরুক য়াখি।

# ইন্টরেক্সন কম কেরিয়র কাওন্সেল্লিং প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

থৌবাল পাউমীদগী

থৌবাল, মে ১৫ঃ ইন্টেগ্রেটেদ দিবেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন-(আইদিও) অমসুং গ্লোবেল ইদুকেসন এন্দ টেক্নোৱার্ল্ড কম্প্যুটর ট্রেনিং ইন্সটিট্যুট অনীনা খুৎশম্নদুনা শীনবা নোংমগী ওইবা ইন্টরেক্সন কম কেরিয়র কাওন্সেল্লিং প্রোগ্রাম অমা ঙরাং থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকি লিলোং বজারদা লৈবা আইদিওগী এক্সটেন্সন ওফিসতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুগী মরুওইবা ৱাঙাঙলোয় ওইখিবা মুস্কাট ওমানদা লৈবা ইন্দিয়ন এম্বেসিগী সেকেন্দ সেক্রেটরি সবির য়ুমখাইবম আইএফএসনা মহৈরোয়-শিংগী পুক্লিং চিংশিল্লদুনা হায়, পুন্সিদা মায় পাক্নে হায়রবদি পান্দম অমা থমগদবনি। পান্দম অদুবু ফংগে হায়রবদি ইশানা ইশাবু থাজবগা লোয়ননা হান্না হনবা লৈতনা হোৎনগদবনি। চাং নাইনা লাইরিক পাবা অমসুং মতমগী মমল খঙনা থবক তৌবা হায়বসি তঙাইফদে। মতম লৈবা খিবিক্তা ঐখোয়না থল্লিবা পান্দম অদু ফংদ্রিবা ফাওবা নিংহন্নবা লৈরোইদবনি।

অনৌ অনৌবা টেক্নোলোজি কয়া পুথোক্তুনা অওনবা কয়া পুরক্লিবা খুদিংমক অৱাংবা থাক্কি মহৈগী জ্ঞান-লৌশিংনা পীবা খুদোলনি হায়বসি ঐখোয় খুদিংমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। ঐখোয়না হিংলিঙৈ তেল্লবা মতম অসিদা মালেম অসিগী তুংগী মীরোলশিংগীদমক্তা করিগুম্বা খরদি থল্লম্নবা হোৎনসি হায়না সবির য়ুমখাইবন্না থমখি।

মহাক্না হায়, অনৌবা টেক্নোলোজি খুদিংমক্কি কান্নবা অমদি শীজিন্নফম লৈ। মসিবু নিয়ম চুম্না শীজিন্নসি। অরানবা লম্বীদা শীজিন্নরবদি পুন্সিদা অমাঙবা কয়াসু ওইরকপা য়াই। হৌজিক্কি ইনখৎলক্লিবা নহারোলশিংনা মোবাইল অমদি সোসিয়েল মেদিয়া লান্না শীজিন্নরে হায়বগী মমি চাওনা তাই। মসিমক য়াম্না লাইবক থীবনি। মেবাইল অমদি সোসিয়েল মেদিয়া অসি নিয়ম চুম্না শীজিন্নরবদি পুন্সিদা মায় পাক্নবগী লম্বী অমা ওইরকপসু য়াই।

নহারোলশিংনা কৈদৌনুংদা ময়াই কাবা চিঞ্জাক শীজিন্নদুনা পুন্সিবু মাঙহনখিনবগী লম্বী শিল্লোইদবনি। চাওখৎপা মালেম অমা ওইহনবদা ঐখোয় খুদিংমক্না থৌদাং লৌমিন্নসি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী নুংগী ৱারোল পীরদুনা আইদিওগী কো-ওর্দিনেটর লেহাজুদ্দিন আসিসনা হায়, জাতি অসিগী তুংগী য়ুম্বীরেননা ওইরক্কদৌরিবা নহারোলশিংবু তিঞ্জঙ-কায়জঙদবা, জ্ঞান-লৌশিং লৈবা মীয়াম্না শিংথাবা মীওই অমমম ওইহন্নবগী পান্দমদা অসিগুম্বা ইন্টরেক্সন কম কেরিয়র কাওন্সেল্লিং প্রোগ্রাম অসি পাঙথোকপনি। থৌরম অদুদা লমদম অসিগী ক্লাস টেন, টুয়েল্বকি মহৈরোয়শিং অমসুং গার্জিয়ানশিংনা শরুক য়াখি। লোয়ননা আইদিও অমসুং গ্লোবেল ইদুকেসন এন্দ টেক্নোৱার্ল্ড কম্প্যুটর ট্রেনিং ইন্সটিট্যুটকি মরুওইবা থৌমীশিংসু শরুক য়াখি।

# ‘লম খুৎলৌশিন চাং নাইদ্রে’

ইম্ফাল, মে ১৫ঃ ‘চেল্লেঞ্জেজ ওফ এসিয়ন দিবেলপমেন্ট বেঙ্ক ফাইনান্সিং ইন মণিপুর’ হায়না মিংথোনবা এসিয়ান দিবেলপমেন্ট বেঙ্কনা ফাইনান্স তৌদুনা মণিপুরদা দিবেলপমেন্ট প্রোজেক্টশিং চথবনা পীরক্কদবা চৈথেংশিং অমদি শিংনবশিংগী মতাংদা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা ঙরাং মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

খন্ন-নৈনবগী থৌরম অদু সেন্টর ফোর রিসর্স এন্দ এদভোকেসি মণিপুর(ক্রাম) অমদি য়ুনাইটেদ এক্সন কম্মিটি, এফেক্টেদ পট্টাদার্স লিলোং টু ৱাংজিং(য়ুএসিএপিএলদব্লিয়ু)না শীন্দুনা পাঙথোকখিবনি।

এদিবিনা ফাইনান্স তৌবা ইম্ফাল টু মোরে রোদ প্রোজেক্ট অসিগী লম লৌশিনবদা চাংনাইদ্রে, য়ুনিফোর্ম ওইদ্রে। মফম খরদনা ফিট ৫০ খরদনা ফিট ৬২ লৌশিন্দুনা মান্নদবা লম খুৎলৌশিনগী থৌওং চথরে হায়বা ৱাফমশিং থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা ফোঙদোক্লখি।

চথগদৌরিবা প্রোজেক্টকি অকুপ্পা মরোল প্রোজেক্টনা শোকহল্লবা খুঞ্জাশিংদা খঙহন্দনা অমদি খুঞ্জাশিংগী অয়াবা য়াওদনা প্রোজেক্ট ওঠোরিটিশিংনা লম লৌশিন্নবা হোৎনরে। রি-সেট্টলমেন্ট অমদি রি-হেবিলিটেসন তৌবগী থৌরাংশিংসু মীয়ামগা তান্নরগা তৌগদবনি হায়নসু ঙসিগী থৌরম অদুদা ফোঙদোক্লখি হায়না ক্রাম অমদি য়ুএসিএপি-এলদব্লিয়ুনা পুন্না থাদোরকপা চেরোল অদুনা ফোঙদোক্লি।

# উরিপোক্তা সোলার পাৱর প্লান্ট অমা শঙ্গাখ্রে

ঐখোয়গী ষ্টাফ রিপোর্টর

ইম্ফাল, মে ১৫ঃ উরিপোক খ্বাইরাক শেলুংবা লৈরক্কি য়ুনাইটেদ ক্লব এন্দ লাইব্রেরি(য়ুকেল)কি ওফিস কেম্পসতা ঙসি দিপ্যুটি চিফ মিনিষ্টরনা গ্রিদ কনেক্টেদ রুফ টোপ সোলার পাৱর প্লান্ট অমা শঙ্গাখ্রে।

শঙ্গাবগী থৌরম অদুদা দিপ্যুটি সিএম ৱাই জয়কুমার, য়ুকেলগী প্রসিডেন্ট এ মুকুন্দো অমসুং দাইরেক্টর মনিরেদা এল মংলেমনা চিফ গেষ্ট, প্রসিডেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা মথংশিংনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা চিফ গেষ্টকি ৱারোল পীরদুনা দিপ্যুটি সিএম ৱাই জয়কুমারনা হায়, ঙসি শঙ্গারিবা অসিগুম্না ইহান হানবা ফেজকি ওইনা অসিগুম্বা সোলার পাৱর প্লান্টশিং ইন্সটোল তৌনবা উরিপোক এসিগী তোঙান তোঙানবা মফম ৩৫ মশক খঙদোক্লে। হৌজিক ফাওবগী ওইনা পাৱর প্লান্ট ২০ ইন্সটোল তৌখ্রে অমদি মৈ পুথোকপা হৌখ্রে।

নুমিৎ হুমনিগী মনুংদা প্লান্ট ১১ অমগসু মথৌ তৌবা হৌরগনি।

অসিগুম্বা প্লান্টশিং অসিনা পোল্লুসন থোকহন্দবা ক্লিন ইনর্জি পীগনি অমদি অহেনবা ইনর্জি অদু এমএস-পিদিসিএলদা ট্রান্সফর তৌদুনা রেভিন্যু কাহনবা য়াই হায়খি।

পাৱর প্লান্টশিং অসি ইন্সটোল তৌবদা চঙগদবা অপুনবা শেনফমগী চাদা ৭০দি মনিরেদানা পুথোক্লনি। অসিগুম্বা প্লান্টশিং মফম কদায়দা থম্বনা হেন্না মফম চাগনি হায়বগী মতাংদা মীয়াম্না সপ্পোর্ট তৌবীয়ু, অমদি ষ্টেট অসিগী মৈ পুথোকপদা চাওনা মতেং পাংদুনা কান্নবশিং লৌসি হায়নসু দিপ্যুটি সিএম জয়কুমারনা থমখি।

ঙসি শঙ্গাখিবা সোলার পাৱর প্লান্ট অসি পাৱর মেগাৱাট্ট ৫ পুথোকপা ঙম্বগী শক্তি লৈ, লোয়ননা উরিপোক এরিয়াদা লৈবা ষ্ট্রিট লেম্প ৮০ রোমগী মৈ পীগনি হায়রি।

দাইরেক্টর মনিরেদা এল মংলেমনা হায়, রিন্যুৱেবল পর্চেচ ওব্লিগেসন(আরপিও)গী মখাদা ষ্টেট অসিগী অপুনবা পাৱর জেনরেসনগী চাদা ৮দি সোলার ইনর্জিদগী ওইগদবনি। টার্গেট অসি য়ৌনবা সোলার ইনর্জি অহেনবা মৈ পুথোক্লবা থবকশিং পায়খৎলি।

চহী অমদা মেগাৱাট্ট ৪০-৫০গী টার্গেট লৈরবসু, হৌজিক ফাওবগী ওইনদি সোলার ইনর্জিদগী শুপ্নতগী মেগাৱাট্ট ৬.২ রোমতমক পুথোকপা ঙল্লি। মরম অদুনা গ্রিদ কনেক্টেদ রুফ টোপ সোলার পাৱর প্লান্ট অসি হৌদোকপনি হায়বা ৱাফম দাইরেক্টর মনিরেদা মংলেমনা থৌরম অদুদা ফোঙদোকখি।

# পিএফআইনা ইফটার কিটশিং য়েন্থোকখ্রে

থৌবাল পাউমীদগী

লিলোং, মে ১৫ঃ ইস্লাম ধর্ম্ম চৎপশিংগী খ্বাইদগী শেংলবা রমাদান থানা লাকপদা লমদম অসিদা জাৎ-বিজাৎ খায়দনা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ মশেন অমগা অমগা নুংশি চান্নদা লৈমিন্নদুনা তংদু লৈতাবা লমদম অমা পুরকপা ওইরসনু হায়না পোপুলর ফ্রন্ট ওফ ইন্দিয়া, পিএফআই মণিপুরকি প্রসিডেন্ট মাওলানা ৱাহিদুর রহমননা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

রমাদান থা অসিগা মরী লৈননা ঙসি পিএফআই মণিপুর ষ্টেটনা শীন্দুনা লিলোং, উরুপ, কৈরাও, ইরোং, শঙ্গাইয়ুম্ফম, ময়াং ইম্ফাল অমদি শঙ্খেলদা ইফটার কিটশিং য়েন্থোকখি। লিলোংদা পাঙথোকখিবা ইফটার কিটশিং য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা মাওলানা ৱাহিদুর রহমননা য়াইফ পাউজেল অদু পীখিবনি।

মাওলানা ৱাহিদুর রহমননা হায়, রমাদান থা অসি মপুঙ ফানা চরা হেন্দুনা মপুদা হায়জবা নমাজ শোনবা ঙম্নবগী পান্দমদা চহী খুদিংগী পিএফআইনা ইফটার কিটশিং পীদুনা তেংবাং পীদুনা থবকশিং পায়খৎতুনা লাক্লি।

পিএফআইনা পীরিবা পোৎলমশিং অসি পিএফআইগী থৌমীশিংনা য়ুমথোং খুদিংদগী লৌরকপা তেংবাং অমদি মীয়াম্না পীরকপা তেংবাংশিং অদুদগী পীজবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

ইফটার কিটশিং অদুদা চেঙ কিলো ৫০, অচাথাও লিটর ২, মঙ্গল কিলো ২, তিলহৌ কিলো ২, থুম কিলো ১, আলু কিলো ১ পুন্না লুপা লীশিং অনীরোমগী পোৎশিং য়াওই হায়রি।

TREATED SUCCESSFULLY

মায় পাক্না লায়েংজরি

PH. ALAM

**PILES** : খোঙ হাম্বদা মতম কুইনা চংবা, শৌজ নাহুবা, ঈ তাবা, মনুং-মপান্দা পোম্বা, মচুম তাবা, নুংশিৎ কাবা, শৌজদা মরেং মরেং চৎপা, খোঙ হাম্বদা অকনবা অমদি মরু-মরু ওইনা হাম্বা অসিনচিংবা।

**GASTRIC** : চাবা তুমদবা, পুক নুংশিৎ কাবা, পুক নাবা, থিনবা, শাওবা, খোঙ হাম্বদা নুংঙাইতবা অসিনচিংবা।

**STONE CASE** : পুক থিনবা, নাবা, শাবা, খ্বাঙ নাবা অসিনচিংবা।

**SINUS** : নাতোন মরেং মরেং চৎপা, নাতোন্দা মহি তাবা, নাতোন ফুনবা, কোক চিকপা, হকথি তোয়না খনবা অসিনচিংবা।

**LIVER, JAUNDICE & SUGAR** : লিভর, জোন্দিস অমসুং সুগর প্রোব্লেমচিংবা লায়েংজরি।

**BODY PAIN (PARALYSIS)** : খোঙ খুৎ হকচাংনচিংবা শিথবা, হকচাং শিন-থুংনা চিকপা নাবা, তাং তাং চিকপা, শিংলি শিংনাও শোনবা, কোক চিকপা নাবা, পোম্বা, শারগা পোম্বা অসিনচিংবা লায়না কয়া মায় পাক্না লায়েংজরি।

TSE/271-10

1. NEXT TO IMPHAL BAZAR COMMUNITY CREMATION GROUND, MINUTHONG
2. KAKCHING BAZAR, PHUNGA SHOPPING COMPLEX, 1ST FLOOR NEAR TRAFFIC POINT, KAKCHING DIST. (WEDNESDAY & THURSDAY) OPEN

MOBILE NO. : 8787579776/8259968220

CAREER IN PACKAGING

भारतीय पैकेजिंग संस्थान
Indian Institute of Packaging
An autonomous body under the Ministry of Commerce & Industry, Govt. of India

ANNOUNCES ADMISSION FOR
TWO-YEAR FULL TIME POST GRADUATE DIPLOMA IN PACKAGING AT MUMBAI, DELHI, KOLKATA & HYDERABAD

**Eligibility :** B.Sc (12+3) with Physics, Chemistry, Mathematics, Microbiology or B.Tech. / B.E in Chemical, Mechanical, Electrical, Electronics, Civil, Bio Chemical / Bio Technology, Agriculture, Food Science, Polymer Science, B. Pharma, Plastics, Printing with minimum Second Class. **Students awaiting result may also apply.**

**Admission :** Through Entrance Examination at Mumbai, Kolkata, Chennai, Delhi and Hyderabad on **14th June 2018.**

Last date for receiving filled applications : 8th June, 2018

**Hostel** : Separate Hostel accommodation for Boys and Girls at Mumbai only. **Age Limit:** 30 Years for General Category, 33 Years for OBC and 35 Year for SC/ST as on **31/05/2018.**

**Prospects :**
Excellent opportunity for placement in Food, Pharma, FMCG including MNCs and other Companies in India and Overseas. Over 3000 Alumni are working in Industries in India and Abroad. Application forms and Prospectus can be obtained on payment of **Rs.500/-**

100% Placement Assistance

For more information VISIT our Website : www.iip-in.com
For details, please contact:
INDIAN INSTITUTE OF PACKAGING, KOLKATA CENTRE
Block CP-10,Sector-V, Salt Lake City, Bidhan Nagar, Kolkata-700091
Phone: 033-2367 6016 / 0763, Phone/Fax: 033-2367 9561
Bidhan Das , Dy Director & Br. Head: 8017219939 (9am - 6pm)
Email- iipkolkata@iip-in.com ; iipcal@cal.vsnl.net.in

/ JOB NEWS IN IMPHAL

মণিপুর মনুংগী ওইগদবা ওফিসকী অহাঙবা পোষ্ট ৫১ গীদমক Class X, XII অমসুং Graduate পাস তৌরবা অমদি তল্লিবা নুপা / নুপী কেন্দিদেটশিংদগী থবক কৌজরি। মসিগীদমক মশাগী চহী ৩০ গী মনুংদা লৈবা মীওইশিংনা apply তৌবিরবা য়াগনি। পোষ্টকী মতুং ইন্না থাগী ইনকমসু 10,000/- to 35,000/- ফাওবগী মনুংদা লৈগনি। Deposit লৈজরোই অথাপ্পা মীওইশিংগীদমক লৈফম-চাফমগী খুদোংচাবসু পীজরি। Apply তৌবিনিংবা মীওইশিংনা ইশাগী Biodata গা লোয়ননা ওফিসতা লাক্তুনা তান্নবিয়ু।

Visiting Hr : 12 noon to 3 p.m.
TSE/1278-16
Contact : 9774986962, 8414834122

Hurry up!
ADMISSION
HIGH SEASON IS APPROACHING!
100% JOB PLACEMENT
AHM
Air Hostess Training
MOST CREDIBLE CARRER PATHFINDER.....
Since the 2007 at Imphal.
ONLY 20 SEATS FOR DIPLOMA AND CERTIFICATE COURSES
BOYS AND GIRLS MIN 12 PASS
CALL : 9612899637
CAMPUS : IMPHAL AVAILABLE

APEX
INSTITUTE MANIPUR (AIM)
Contact: 9612224777
9077884144
Kangabam Leikai
Behind Bheigo Hotel

GRAND OPENING

TSE/D-9E+M..

**45 Days SBI PO- 2018 CRASH COURSE**
Morning : 6:30 - 8:45 AM  **Starting 16th May**

**GENERAL FOUNDATION COURSE**
(For Banking/ SSC/ CDS/CAPF/FCI etc
Morning: 6:30 - 8: 45 AM  **Starting 16th May**
Duration: 5 Months (240 Lectures)

**NDA - II Exam 2018**
Evening: 3:00 - 5:15 PM  **Starting 16th May**
Duration: 3 Months (150 Lectures)

*SPECIAL HIGHLIGTS*
- Faculties with more than 5 Years Teaching Experience
- Library and Reading Room Facility.
- Online / Offline Test Facility
- Flexi Module
- Individual Supervision by Teachers during Office Hours.
- Supply of Comprehensive & Upto-date Study Materials
- Conceptual Analysis in Details.
- Previous Years & Probable Questions Analysis in Details.
- Unit-Wise Test & Mock Test.

***Avail Special Concession***

REGISTRATION STARTS

UPSC EXAM 2015

AIR 24
KHUMANTHEM DIANA

UPSC EXAM 2017

AIR 81
POOJA ELANGBAM

GENERAL STUDIES (PRELIMS)
Paper I & II (CSAT)
MPSC / UPSC Civil Services Preliminary Examinations

| CLASS STARTING ON | |
|---|---|
| 7th May 2018<br>Timing: 6.30 am to 9.00 am | 28th May 2018<br>Timing: 3.00 pm to 5.45 pm |

UPSC EXAM 2015

AIR 1018
ALVINA LALMUANPUI L

UPSC EXAM 2017

AIR 970
N JOHNSON

GENERAL STUDIES (MAINS)
MPSC's Civil Services Exams 2018
Class starting on 10th May 2018 --- Timing 3.00 pm to 5.45 pm

TSE/D-21E+M...

Proactive Academy
of Competitive Examinations (PACE)
For a Bright Future
Kwakeithel Bazar, Imphal
Phone: 9206319209

SBI PO's SPECIAL CRASH COURSE
BOTH PRELIMS & MAINS (PCM)

* Weekly Online Mock Test
* Free Online Practice
- Date of Online Examination (Preliminary): 1st, 7th & 8th of July 2018
- Date of Online Examination (Main): 04-08-2018
- Exam Centre for Preliminary & Main : IMPHAL
- Total No. of Vacancies : 2000

CLASS STARTING ON
i. 2nd May 2018 at 6.30 am to 9 am
ii. 3rd May 2018 at 12 noon to 2.45 pm

GENERAL FOUNDATION COURSE (GFC)
BANKING AND SSC EXAMS

| CLASS STARTING ON | |
|---|---|
| 10th May 2018<br>Timing: 3.00 pm to 5.45 pm | 28th May 2018<br>Timing: 6.30 am to 9.00 am |

TSE/D-24E+M...

Proactive Academy
of Competitive Examinations (PACE)
For a Bright Future
Kwakeithel Bazar, Imphal
Phone: 9206319209

Please Visit
Fastrack Signage
PAONA BAZAR, NEAR BLUE BELL FASHION
CHINGMEIRONG BRANCH, NEAR CITY HOSPITAL
FEATURES:
ACP Signage
Corporate Signage
Hospital Signage
Institutional Signage Etc.
Acrylic LED Signage
Lesser Engraving
FLEX Printing
Memento
3D Letters
We are the authorized dealer of all kind of Signage Equipments under the brand name Edge Print
Laser Cutting & Engraving Machine
Flex Printing Machine
Fastrackprinters@gmail.com / Fastracksignagechingmeirong@gmail.com
+919856080024
TSE/D-17E+M...